# মণিপুর মরা তপহন্নবা দেল্লীগী থৌশীলগা, কুকিগী কাং-খোং চাইহন্নবা থৌরাংগা চপ মান্নরে

- পোৎশংবম হকিম খাবা -

চহী অহুম ফারক্লবা অমসুং ঙসি ফাওবদা লোইশিনবা নাইদনা লৈরিবা, মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী অরোইবা ৱাখৈ অমা পুরক্তুনা ষ্টেট অসিগী মহৌশা ওইবা মরা তপ্পগী ফীভম অদুদা অমুক হঞ্জিলহন্নবগীদমক্তা সেন্টর অমসুং মণিপুর লৈঙাক অনীনা য়াম্না কন্না হোৎনররি। মশীং য়াম্লবা আর্মি অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিংবু মণিপুরগী চীং-তম অনীমক্তা মীৎকুপ-নাহুমশিংনা লৈহনবগা লোয়ননা লোকল এদমিনিষ্ট্রেশনগী খুত্থাংদা, দেল্লীনা মুক্নরিবা মশেলগী মরক্তা নুংশি-চান্নবগী মরী অমা শাগৎনবা হোৎনরকপগুম্না উরি। অদুম ওইনমক, লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা মরা তপ্পা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবগী থৌশিলশিং অসিগী মায়োক্তা খূৎলায় পায়বা কুকি এক্সট্রিমিষ্টশিংনা মচী ইলেঙ লেঙবা তৌদনা লৈবগী মওং অসিদি লাইবক থীবনি। কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মখোয় পূম্নমক মনীং-মখা তম্বা লৈবাক অমগী লান্মীশিংগী মতৌগুমনা সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী লৈঙাক অনীমক্কী মায়োক্তা তমথীরবা ভাইওলেন্সকী থৌওং কয়া চত্থরি। ৱাফম অসিগী ময়েক লারবা খুদমদি, ইকুই কুইদনা ত্রোংলাওবীদা মমাগী মথাদা তূমদুনা লৈজবা পীক্লিবা অঙাং অনীবু কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা রোকেট কাপশিন্দুনা মীহাৎ থীনা হাৎখিবগী থৌওং অসিনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরদা মরা তপ্পা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা, কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা তাল্লিবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দ অসি পীরোই অমসুং ষ্টেট অসিগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি অমদি লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংগী অপূনবা শক্তম কায়হনবা তৌরোই হায়নসু ইতৎ তত্তনা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। ৱাফম অসি ওইদুনসু, লৈঙাক অসিনা ফোঙদোক্লিবা ৱারোলশিং অসিগা ওন্ন-তৈনবা অমসুং চীন্দনা অমা ঙাঙলগা, থবক্না অমা তৌবা হায়গদ্রা, কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইনবা হোৎনরকপদা, পূম্নমক অদুবু করিসু খঙদ-উদবগুম্না তূমিন্না লৈশিনবা অসিদি য়াম্নমক অঙকপগী মশক্লি। উখ্রুলগী লিতান অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী য়াওনা ষ্টেট অসিগী চীংখোঙ-চীংয়াদা লৈবা খুলশিংগী মীয়াম্না, সেন্টরনা থারক্লিবা আর্মি অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিংগী মফমদা, খূৎলায় পায়বা কুকি লমহেন-তুহেনবশিংগী মওং অসি হেনমল্লে, মখোয়বু লাকশিল্লু হায়রুবা মতমদসু হোম মিনিষ্ট্রিনা নৎত্রগা ষ্টেটকী য়ুনিফাইদ কম্মান্দনা ওর্দর পীদে হায়দুনা, কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা য়ূম মৈ থাবা, মী হাৎপা অমদি লুট-পাৎ তৌবদা হৌদোংনা ঙা চাবা য়েংবগুম তূমিন্না য়েংদুনা লৈ, অদুগা তোর্ব্বুংদা অঙাং অনী হাৎখিবদা খোয়শাউনরবা তম্পাক্কী মীয়াম হুপচিল্লকপদা সী আর পি এফনা মীওই অহুম নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপগী অয়াবদি পী। অসিগুম্বা চীনগা খূৎকা মান্নদবা, তায়োন্নবা থৌওংশিং অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা মরা তপ্পা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদগী, মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসি ঙসি ফাওবা লোইশিনহন্দবনি হায়বা য়াই। দেল্লীনা মণিপুরদা মরা তপ্পা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবগী থৌশিল অসিগা, কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা ষ্টেট অসিবু কাং-খোং চাইহন্নবগীদমক্তা পায়খৎলকপা থৌরাংশিংগা অনী অসিবু লমদম অসিগী মীয়াম্না চপ মান্ননা উনরক্লে, লোয়ননা সেন্টর অমসুং কুকি অনীবু চিংনবা মীৎয়েংনা য়েংনরে।

ষ্টেট অসিদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিং অমসুং ইন্দিয়াগী অখণ্ড-অহৈ খরনদি মণিপুরগী ঈরাং অসি ঙমখৈ ৱাংমদগী নারোন্দা চঙশিল্লকপা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনা থোকহনবনি হায়না তোয়না ফোঙদোক্নরি, অদুবু হায়রিবা মীতোপশিং অসিবু করম্বা শকউদবা ফোর্স অমনা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা ষ্টেট অসি খাবৈ-খারা শানা ওৎখায়রিবগে হায়বা ৱাফম অসিদি কনানসু খন্থনদবগুম্না উই। বৃটিশকী মতমদা লাক্লবা ৱাবা নাগাশিংবু লাকশিন্নবগীদমক্তা ম্যান্মারগী চিন ষ্টেট অমসুং বাংলাদেশকী চিট্টাগোং হীল ত্রেক্তনচিংবা মফমদগী পুশিল্লকখিবা কুকিশিং অসি ঙসিসু অরোনবা ফোর্স খরনা শীংচেপ ওইনা শীজিন্নদুনা, ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক লমদমগী, মরু ওইনা মণিপুর অমদি নাগালেন্দগুম্বা মীশিং য়ামদ্রবসু লালহৌবগী অকনবা ঈরাং লৈবা ষ্টেটশিংগী লৈঙাক্লোনবু লো এন্দ ওর্দর ঙাক-শেনবগী ৱাফমদা পাউথোংফম ওইদুনা, শান্ননীংবা মওংদা শান্নবা য়ানবা হোৎনরি অমদি শান্নরি। থৌওং অসি নাগালেন্দ নৎত্রগা অসামদা কয়া ময়েক শেংনা উবা ফংদ্রবসু মণিপুরদদি, ষ্টেট অসি দি-ফেক্টো প্রসিদেন্ট’স রুলগী মখাদা থম্বগুম্না, লীশাং শীৎনা আর্মি অমসুং পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংগী খূত্থাংদা, ইকোনোমিকেল্লি অমদি পোলিটিকেল্লি মপাঙ্গল শোনবা সিভিল এদমিনিষ্ট্রেশনবু নমথদুনা থল্লি। ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা ষ্টেটকী লৈঙাক্না লৈবাক অসিদা চৎনরিবা কন্সটিটুশনগী মতুংইন্না মনীং তম্না লৈবাক ঙাকপা ঙমজদে। হীরম খূদীংমক্তা সেন্টরগী য়াকা য়েংনা অমসুং মখোয়গী অপাম্বা মতুংইন্না থবক পাঙথোক্তবা য়াদে। দেল্লীদা কৌই, মরা তপ্পা হঞ্জিনহল্লু হায়রকই, হঞ্জিনহন্নবা হোৎনৈ, কুকিনা রোকেট কাপশিল্লকই, অঙাং হাৎলি অমসুং সী আর পি এফনা মীচমদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অহুম শি, অদুগা লমহেন-তুহেনবা কুকিশিংবুনা, সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) তৌনদুনা থা খূদীংগী লুপা ক্রোর-ক্রোরগী চাকথাক হুল্লগা য়োকখত্তুনা থম্মী। অসিগুম্বা লমহুই লৌশিংগী তৌরা নত্তে ইমৈনি, ইমৈ নত্তে তৌরানি হায়বা মীরৈহৎকী লৈঙাক মওং অসিদা ৱাখল-লৌশিং পূম্নমক পূম্মাঙ মাঙখ্রবা মীয়ামগী মীহুৎশিং, মীয়াম অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিংনা, মী শিরগা কপ্পা-লাউবা, বন্দ-ব্লোকেদ, ধরনা তৌবা অমসুং ঐখোয় মশেল ওনশিন্নদুনা খৎন-চৈনবা নত্তনা করিসু তৌরুবা ঙমদে। মণিপুরদদি এক্স-গ্রেসিয়াগী শেনফম খরগা, মমল য়াম্লবা মীওইবগী পুন্সিগা মন্তিন্নবা অসি মতম কুইনা চৎনদুনা লাক্লবা মরম্না হৈনবী ওইরে।

পূম্নমক অসিদা, অমুক্কসু হেন্না নুংনাংনীংঙাই ওইরিবা ৱাফম অমদি -- মীতৈ অমসুং কুকি অনীগী মরক্তা শোক্নরিবা লানগী মৈরী অসিনা ষ্টেট অসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা খুন্দারিবা তাঙ্খুল-নাগাশিংবুসু কোনশিল্লকপতা নত্তনা, তোঙানবা লৈঙাক অমা তাল্লিবা, খূৎলায় পায়বা কুকি কাঙবুশিংগী মরক্তসু মচোই-মচোই তাহন্দুনা মখোয় মশেলগী মরক্তা হাৎন-শুনরকপা য়াবগী অঙকপা ফীভম অমা শেমগৎলকপা উবা অসিনি। চহী অহুম শুরক্লবা লান অসি অহানবদদি, ষ্টেট-এক্টরনা মণিপুরদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিংগী অপূনবা শক্তম থুগায়নবা, মরু ওইনা লালহৌবগী ঈরাং নমথনবগীদমক্তা, কুকি খূৎলায় পায়বশিংগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দদা তোংশিন্দুনা চত্থহনবা প্রোক্সি-ৱার অমগুম্না উনরম্মী। অদুবু মসি ঙসিদি য়াম্না থাজনীংঙাই ওইদবা মওং অমদা, সেন্টরনা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরিবা কুকি খূৎলায় পায়বশিংবু অমগা অমগা হাৎন-শুনহন্দুনা মখোয়বুসু মপাঙ্গল শোন্থহন্নবা হোৎনবগী লাল্লোং অমদা চঙশিল্লকপগুম্না তৌরে। নেমচা কিপ্গেনবু চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দগী মিনিষ্ট্রিদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী ফম থিন্দোকখিবগা লোয়ননা তোঙানবা লৈঙাক তাল্লিবা কুকিশিংগী মরক্তা নাকপাক তান্নরক্লে। সী এম খেমচান্দনা কুকিশিংগী বফর জোননি হায়বা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট ফাওদুনা সেনাপতিদা নাগাশিংগী থৌরম য়াওবা চৎখিবা খোঙচৎ অদুগী মতুংদা, কাংপোকপীগী মীয়াম্বু সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী খোঙজংদা লমজিংলম্বা কম্মিটি ওন ট্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) গী থৌ পুবশিংনা দেপ্যুটি সী এম নেমচা কিপগেন অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা, সূগী এগ্রীমেন্টতা খূৎয়েক পীমিন্নবদা য়াওবা, কুকি নেশনল ফ্রন্ট (কে এন এফ) কী লুচিংবা সেমতিন্থাং কিপগেন অনীবু য়ানীংদবা উৎতুনা পাক্তক্না রিজাইন তৌখি।

মতুংদা, চুড়াচান্দপুরদা বেজ ওইবা ‘কুকি হিষ্টোরি এন্দ আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কম্মিটি (কে ঐচ আই পি সী), হায়বা লূপ অমনসু নেমচা কিপগেন অমসুং সেমতিন্থাং কিপগেন অনীনা, কাংপোকপীগী দিষ্ট্রিক্টতা কুকি মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থবক তৌরে, মখোয়না হায়বা য়াদবা মীওই অমদি লূপশিংদা কিহল্লগা নম-হাদুনা থবক তৌহল্লে, দেপ্যুটি সী এমগী ফম অসি থাদোকউ হায়না লাউরুবা মীওই কয়াদা কে এন এফকী খূৎলায় পায়বা কেদরশিং থাজিন্দুনা কিহল্লে অমসুং কুকিগী তোঙানবা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরি অমা শেমদুনা কুকিগী অৱাবা কোকহন্নবগীদমক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী মায়োক্তা কে এন এফ অমদি নেমচা কিপগেন অনীনা অপনবা থোকহল্লে হায়না মীদিয়াদা থাদোক্লকপা চেরোল অমদা মরাল শীখি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি সেন্টরগী অৱাং-নোংপোক লমদম অসিবু কদাইদা করি শোয়খিগদগে হায়দুনা য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনবীরিবা, হোম মিনিষ্ট্রিগী হৈ-শিংলবা লীলা ঙাক্তনি। হায়রিবা লীলা অসি অশেংবমক্কীদি শভমনা কাওবা হায়দুনা, মীশিং লীকপা, চীংলোন মাপন্না কোয়শিনবা অমসুং লায়রবা মণিপুরগী পুৱারীদা কয়ারক হন্না থেংনদুনা লাক্লবনি।

লাইনীংলোলদা খুদুম চনশিন্দুনা লমদম অসিগী ইয়ান য়ানশিন্নরবা নাৎকী তোপ তোপ্পা মশক অমা পুথোকখিবা, অমাং-অশেংগী চৎনবী অমসুং বৃটিশকী কোলোনিয়েল পোলিটিক্সনা য়েলহৌঙৈদগী মচীন-মনাউ ওইনা, নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নদুনা লাক্লবা মণিপুরিশিংগী মরক্তা চীং অমসুং তম হায়না ৱাংলবা চেকপল অমা খাগৎখিবা অমদি ঙসিসু ফূরুপকী অপূনবা শক্তমদা শীংনরক্লিবা পূম্নমক অসি ঐখোয়না, ফীভম অমসুং মতম্না পীরকপা শাফূ ঙাক্তনি হায়না লৌবগা লোয়ননা, মহৌশাগী মহৌশা হিংদুনা লৈনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। পুৱারীগী থেঙ্খাং কয়াদা মণিপুরীশিংনা মায়োক্নরিবা মপানগী কল্লবা শাফূশিং অসিনা ফূরুপ অসিবু মালেমগী লৈমায়দগী খোঙ্গুল মুত্থৎপা ঙমদনা লাকখি। শান্ন-খোৎনবা অমসুং আর্ট এন্দ কলচরদা ইন্দিয়া য়াওনা, মালেম অসিদা অচৌবা ফিদা অমা ফংলিবা মণিপুরীশিংগী লূ-তোংদা মতম পূম্বগী ওইনা, তোপ তোপ্না হিংদুনা লৈবা ঙম্বগী ঈ চেল্লি হায়বা ৱাফম অসি ঐখোয়না কাউফম থোক্তে। ●

## ‘হরিবংস রাই বচনগী অফাওবা ট্রিলোজি শৈরেং লাইরিক্তগী ইমালোলদা হন্দোক্লবা ‘য়ুরাংফমগী য়ুরাংবী’না মণিপুরগী ফম্পাক লীলাদা ঙান্থোকপা হৌরকপা’ - (১)

- পি বিশ্বকান্ত -

ঐ থিয়েটর ক্রিটিক অমদি নত্তে অদুবু জর্নেলিষ্ট অমা ওইনা ঐগী করিয়র শেমজরকখিবা মীওই অমদি ওই। মতম কুইরে থিয়েটর হোলদা চঙলগা দ্রামা ফম্পাক লীলা য়েংলকখিদবা। অদুবু হন্দক য়াম্না থাজদনা সোইবম ইন্দ্রকুমার কৌবা ওজা অমনা হরিবংস রাই বচনগী অফাওবা ট্রিলোজি শৈরেং লাইরিকশিং মধুশালা, মধুবালা অমসুং মধুকলস হায়রিবা হিন্দি লাইরিকশিং অসিদগী মধুশালা অমদি মধুবালাবু খনগৎলগা হন্দোকখিবা ‘য়ুরাংফমগী য়ুরাংবী’ কৌবা লাইরিক অমবু মণিপুরগী থিয়েটরগী ফম্পাক্তা পুশিন্দুনা উৎলকখিবা দ্রামা অমা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪,২০২৬তা চেবাউ/বার্ত্তন ফংজদুনা য়েংজরুই। অঙকপা অনৌবা দ্রামা মওং অমা ওইনা পূক্নিং চঙনা য়েংজখি। করিগীনো হায়বদা ঐখোয়না মতম কয়াগী মমাঙদা খঙজরকপা ফম্পাক লীলাগী মচৎ অমা লৈজ রিবা মওং অদুদগী লীলা অসিনা পুংতোপ তোপ্পা মওং অমদা মীয়ামদা উৎলকপা অদুননি। শৈরেং লাইরিক অমবু দ্রামা ওইনা শান্নদুনা মীৎমাঙদা পুথোরকপনি। থিয়েটর দিরেক্টর অমদি হন্দোক্লোই অইবা অমসু ওইবিরিবা সোইবম ইন্দ্রকুমার মশামক্না লীলা অসি দিরেক্সন পীবনি। দ্রামা অসি অইবা অমদি দিরেক্টর মশামক্নদি ভিজুয়েল পোইত্রি অমনি হায়না মীয়ামদা ফোঙদোকচৈ। অঙকপা মহাক্কী মফোঙদোক অমনি। লীলা অসি হেক হৌরকপদা দিজিটেল সোট খরনা হৌদোরকই। মদুদগী হৌনা করি মওংনো মসিদি হায়না খনবা অদুম হৌরে ঐ। খৃষ্টিয়ান, হিন্দু, ইস্লাম লাইনীংগী য়ূম্ফম ওইরিবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী ভিদিও ক্লিপ মতেক-মতেক কাপ্পগা লোয়ননা চান-চান্নবা বেকগ্রাউন্দ ম্যুজিক পীরবা মতুং অরোইবদা লমদম অসিগী মীতৈ/মৈতৈশিংগী ইনাৎ লাইনীং ওইজরিবা সনামহি লাইনীং ফাওবা চান্নবা বেকগ্রাউন্দ ম্যুজিক পীরদুনা অয়েংবশিংগী পূক্নিং চিংশিনবা হৌরকখি। দিজিটেল সোটশিং অদু হেক লোইবগা লাইট অমসুং ম্যুজিকনা ষ্টেজদা থেন দুনা মাঙজৌননা থল্লবা মচাকশিং মথংদা পর্ফোর্মরশিং ষ্টেজদা পুশিনবা হৌরকখি। অদুগা মধুশালা, মধুবালাগী মৈতৈলোল ভর্জন ‘য়ুরাংফমগী য়ুরাংবী’ গী শৈরেংশিং পর্ফোমশিংনা ওক্নহন্দুনা মীয়ামদা মরী-মরী তাহনবা হৌরকখি। য়ু হাপ্পা পাত্র অমদি য়ু হৈনফম গ্লাস নৎত্রগা মগ মৈঙালদা ইহান-হান্না উহল্লকখি। মদুগী মথংদা য়ুরাংফমগী মপু নৎত্রগা নিংথৌ অমগী সিংহাসনগুম্লবা খুদা অমুক উৎলকপগা লোয়ননা খুদা অদুদা লেংশিন্দুনা লৈগদৌরিবা মীওই অমনা নিংথৌ অমগী ফিজেৎকা লোয়ননা থোরক্তুনা মাগী য়ুরাংফমদা তিল্লরগদবা মীয়াম্বু কৌশিল্লকখি। অহুমশুবদা ‘য়ুরাংফমগী য়ুরাংবী’গী মপুং ওইনা লীলা শান্নগদৌরিবা পর্ফোর্মর নুপী অমসুং নুপাশিং তোঙান-তোঙানবা মৈঙালগী মচু লক্তা তপ্ন-তপ্না পুশিল্লকখি। মতুংদা লীলা অসিগী শৈরেং দাইলোগশিং পর্ফোর্মরশিংনা ওক্নহল্লকখি। কবি শম্মেলনগী মওং অদু নত্তে দ্রামাগী দাইলোগ অমগুম্না শৈরেং থীহনবনি। কষ্টুম অমসুং দিজাইন য়াম্না এট্রেক্টিভ ওই। য়ুরাংফমগী য়ুরাংবীশিংগী থৌগল অমসুং ময়াইকারবা য়ুগী ইরিকশিংতবু খোইদাজদুনা লাক্লিবা মীওইশিং অমসুং য়ুরাংবীশিংগী মরক্তা মতাং চানা-চানা মখোয় মখোয়গী শৈরেং দাইলোগশিং ওক্নহল্লকখি। য়ুরাংবীশিংগী থৌগল তৌবগী মওং, য়ুরাংফমদা লাকপা মীওইশিংনা য়ুগী ময়াই ফংলকপা মতমদা ওইরকপা মওং কয়া অদু পর্ফোর্মরশিংনা ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরগী মমল নাইদ্রবা জগোয়গী শাথেক-শাহাইগা লোয়নবা কোরিওগ্রাফ কয়া অদুনসু অয়েংবশিংগী পূক্নিং চিংশিলহনখি। পূম্নমক অসিনা মীয়ামদা য়ুরাংফমগী য়ুরাংবীগী শৈরেংশিং অদুগী চপ-চাবা ৱাহন্থোক অদু করিনো হায়বদু ফাওবা খঙনীংবা পোকহল্লকখি। য়াম্না মুন্না তাজরবা মতুংদা অশেংবা ফজবা ৱাহন্থোক কয়াসু ঐখোয়গী কোক্তা য়ৈবা চুশিনবা হৌরকখি।



দিরেক্টর সোইবম ইন্দ্রকুমারগী মগুণ অমসুং তৌবা ঙম্বসু মীৎমাংদা ফন-ফন চোংথোরকপগুম তৌখি। দিরেক্টর অসি মতম কুইনা দ্রামা তৌবা লেপ্লুরে হায়। ইন্দ্রকুমার, ঐনা ইম্ফাল কোলেজগী সেক্রেটরি অমা ওইনা থৌ পুরিঙৈ মতমদা ইন্টর কোলেজ য়ুঠ ফেষ্টিবেল ১৯৯৬-৯৭তা শরুক য়ানবা ৱান এক্ট প্লে অমবু তাকপী-তম্বীনবা নেকচরুবদা থেংনখ্রে, শকখঙনখ্রে। মতম অদুদা মহাক্কী মগুণ খরদি খঙহৌ-উহৌখ্রবনি। মানা দ্রামা তম্বীবগী মওংসু অতৈদগী খরা তোঙানলি। দ্রামা লীলা হান্না হেক্তা শান্নহন্দে, তাকপীদে। মাদি লীলাদা চঙগদবা মচাক-মথুমশিং অদুগী ত্রেনিং হান্না পী। মুভমেন্ট মখল কয়া, জগোয়-দান্স হান্না তমহল্লি। ঐফাওবা দ্রামা অদু য়াওগে তৌরম্মী অদুবু ইমান্নবা অমনা মহাক য়াম্না য়াওনীংই হায়রকপদগী মাবু ওইনা য়াওহনখি। ইন্দ্রকুমার এক্সপরিমেন্টেল দ্রামা পুথোকপা দিরেক্টর অমনি। মালেমগী ফাওরবা থিয়েটর পর্সনেলিটি ‘রতন থিয়াম’ গুম্না থবক তৌবা ঙমগদবা নুপানি। অশেংবমকসু নোংমা রতন থিয়ামগা মাগা ৱারী শানবদা মঙোন্দা (ইন্দ্রকুমার) থিয়েটরগী মতাংদা খরা হন্থবা মী অমগুম ৱারী শারকপদা মহাক্না অদুম্নদি খনবীগনু তামো ঐখোয়সু নোংমা নৎত্রগা নোংমদি তামোহোয়না ফন্লিবা ফিদা অদুদা ফমজগে খঞ্জরিবা মীওইনি হায়খি হায়। মহাক্না হন্দক পুথোরক্লিবা দ্রামা ‘য়ুরাংফমগী য়ুরাংবী’ অসিসু অচৌবা এক্সপরিমেন্টেল দ্রামা অমনি হায়বা য়াই। অসিগুম্বা দ্রামা অমত্তা মণিপুরগী থিয়েটর গ্রুপ অমত্তনা উৎখিবা লৈত্রিবরা খল্লি। করেক্টর য়াওদবা দাইলোগ করম্না ফম্পাক লীলাদা শান্নগনি ওইথোক্কদ্রা হায়না অয়াম্বা মীওইশিংনা খন্নগনি খল্লি। অদুবু মহাক্তি এক্সপরিমেন্টেল ওইনা মায় পাক্না মণিপুরগী ভাবকশিংদা উহনখ্রে। অঙকপা অঙম্বা দাইরেক্টর অমনি হায়বা তাই মহাক। মখা তানা দ্রামা অসি হেন্না ফজহল্লগা অমুক হন্না মীয়ামদা উহন্নবা থৌরাং তৌরিবরা হায়বসিসু খল্লি। মরমদি দ্রামা অসি উৎখ্রবা মতুংদা পোষ্ট প্রদক্সন দিস্কসন অমসু মার্চ ৩দা হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা বিজয় কোইজমগী য়ূমদা পাঙথোকখ্রে। খুদোংচাবা অমদগী মদুদসু ঐ শরুক য়াজবা ফংজখি।

(মখা চৎথজরকখিনি) ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### হুইয়েন লানপাউগী লাইফাও

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

পাউচেসিদা ইবগী ফিদা ফংলবশিংগী মনুংদা লাইফাওগুম্লবা অইবসু য়াওরি। খুদম ওইনা পল্লবদা কুকি-মীতৈগী লান তপথখিবা তারবসু কুকিদি তূমিন্না লৈরম্লোই, প্লান তৌরমগনি, কয়াদা চুমখ্রবনো। মীতৈগীদি কমদৌরি ঙল্লিঙৈদগী হৌনা য়াওশঙ থাবল চোংবসি চৎনরকই। য়াওশঙখক্তদসু নত্তে চৈরাওবদসুনি, চৈরাওবসিসু মখল অনী শুরকপা চহী ৪০ রোম হেল্লক্লে। হান্নদি শজিবু চৈরাওবখক্তং পাঙথোক্নরম্বনি। হৌজিক্তি শজিবু নোংমা পানবসু চৈরাওনরে। কুকি-মীতৈগী লান কন্না শোক্নরিঙৈ মতমদদি য়াওশঙ থাবল অমসুং চৈরাওবগী থাবল চোংবসি পাঙথোক্নরমদে। অদুবু কুমসিদি থাবল চোংবসি য়াওশঙদগী হেন্দোক্তুনা চোংনীংবা নুমিত্তা পংচোঙদা চোঙনখ্রে অঙকপা ফংনা। থাবলখক্তগী ৱাসু নত্তে, অতৈ অতৈসুনি। অঙকপা ফংনা লাংখ্রবা হরাওনখ্রবা। মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা, মীপূম খুদিংনা নুংঙাইনা পোত্থানরিবা অহিংদা, নোংয়াই মতুংদা থাবল কন্না চোংঙি, ঈশৈ শকই, ৱেষ্টর্ন ম্যুজিক কন্না থাগৎলকই তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী। হৌজিক্তি করি শারে, করি থোক্লে। পিকত্রু পিকপা কনানা করি তৌরি ইখঙ খঙনবা লমদমসিদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবসি ফূরুপ ৩৬ লোমনি। মীতৈ নত্তবা ফূরুপশিংনা মীতৈশিংবু করিনি খল্লমগদগে, মুন্না খল্লুরগদি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি।

কুমজা ২০২৩গী মে ৩গী মমাঙদদি মীতৈ চা কয়ানা চীংদা-মান্দা থবক-ইনখাং শু-নোম্বা চৎনরম্মী অকি-অখং লৈতনা। মোরে করবার, জিরি করবার অনৌবা ৱাফম নত্তে। মীতৈ দ্রাইভর লিশীং ১/২ নুমিৎ খুদিংগী মণিপুর মনুং অমসুং মপান্দা গাড়ী থৌরম্বদু লেপখ্রে। করি অমুক হায়গনি অরুবা অনাবা য়াওরকপদফাও লায়েংনবগী মথক্কী লম্বী নৎত্রবদি পান্থৈত্রবনি। লান তৌনদ্রিঙৈদা লমদমসিদগী চহী খুদিংগী মীওই চা কয়ামা য়ু পি, অৱাং ভারত অমসুং খা ভারতকী লাইফমশিংদা লাই খুরুম্বা চৎনরম্বদুসু পুম্লেপ লেপখ্রে।

থা খরগী তুংদা অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বা কুকি মচা খরনা মীতৈ হাৎপা অমুক হৌরক্লে হান্নগুম্না। য়াম্না তমথীরবা থৌদোকসি থা অসিগী হৌখিবা ৬ অমদি ৭কী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা থোকখিবনি। মমাদুনা নুংশিরবা পীক্লিবী মচা অনীদু কোঞ্জদুনা নুংঙাইনা তূমজরিঙৈদা বোম কাপশিল্লকপনি, বোম পোকখায়হল্লকপনি। থৌদোক থোকফমগী ফোটো ইম্ফালদা নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা হাপ্পরকপা উবদা য়াম্না থম্মোয় শোক্নীংঙাইগী মশক্লি। পাউগী লিখুন মতুংইন্না লৈখিদ্রবা অঙাং অনীদুগী মমাদু নর্সনি, অনাবশিংগী থৌগল তৌবীনি। অঙাং অনীদুসু তাইবঙ খোঙদারকপা কুইদ্রিবনি। মখোয়নবু কনাদা করি লাল্লমগদগে, লৈখিদ্রবা মীচম অহুম অমনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অচানবা সী আর পি এফনা কাপ্পনি।

অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরকপদা লৈঙাক্না লৈখিদ্রবশিং অমসুং অশোকপশিংদা শেলগী তেংবাঙখক্নদি অফবা ফল পুরক্কদবা মান্দে। অদুগী শরুকপুদি দেল্লীদা চৎতুনা লৈবাকসিগী অঙম অথৌ য়াইতোং-খমদোংবশিংদা খোঙ থীল্লুবা য়াইনা, হায়রুবা য়াইনা, প্রধান মন্ত্রিজি করিসু খঙজদবা অঙাং মচা ফাওবা হাত্তোকপীরক্লবসিদা ঐখোয় কয়াম কুইনা খাঙখিদোইনো, লান লোইশিনবীয়ু। ঐখোয় পীস পামজৈ। লৈবাকসিগী মপী-মপা ওইরিবশিংদা মচা-মশু ওইরিবশিংনা পেন্দবগী ৱাকৎ ফোঙদোকপা হায়বসিদি হৌনশানি।

অদোমগী - এ নন্দকুমার
চনম পূখ্রি মপাল, শীংজমৈ

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৫গী ৱাহং

১) “হিংচা য়াইতম্বা মানবা নুপা অমনা ঐবু চাগদৌগুম য়েংলগা মখূৎ অনী তিংথোক্লগা ঐঙোল্লোমদা চঙশিল্লকপদু উবদা কিমনখ্রদুনা খোঞ্জেল ফাইবোই করিবোই ‘হো ইমা!’... হায়খিগুমসু তৌখি।”

ৱাহৈ পরেং অসি নোভেল অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। নোভেলগী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

২) “পুন্সিবু হুন্দোক্লল্লগা
করম্না চৎকনি
অনৌবা পুন্সিগী যাত্রা।”

শৈরেং মতেক অসি অইবা অমগী শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবগী মমিং করি কৌবগে? লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

৩) “মতমগী য়াওল ইরোয়ননা ঈশৈ-নোংমাইগী হীরমদা অওনবা, অহোংবা লাকপসি তোয়না থেংনৈ।”

ৱাহৈ পরেং অসি ওটোবাইওগ্রাফি অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবগী মমিং অমসুং লাইরিক্কী মমিং ইরকউ।

৪) “ছাত্র ওইরিঙৈদগী হৌনা ইবগী লমদা অদুম্মক থাংলকপনি ঐগী খোঙথাংসি তন্দে-মান্দে, নীংজিং-মাংজিং, ৱাখলগী পোৎলুম পুদুনা, থম্মোয়গী মৈচাক খাঙদুনা।”

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবা অনুবাদকী ৱারোলদা ট্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ট্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমদি হন্দোক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৫) “নতম্বাক্তা” হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। য়াওরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি। ***(ইন্টরনেটকী অথিংবা লৈবনা মরম ওইরগা ক্বীজ অসিগী পাউখুম থারক্লবগী মতম এপ্রিল ৩০, শগোলশেন ফাওবা শাংদোকচরে)***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।